# এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী সোর্টপ্লে মহাত্মা গান্ধী এ রেমিনাইজ নেসনেল লেভেলদা উৎলুনবা শেম শারি



এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মহৈরোইশিংগী সোর্টপ্লে মহাত্মা গান্ধী– এ রেমিনাইজ, নেসনেল লেভেলদা উৎলুনবা শেম শারি। কোলকাতাদা লৈবা ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর (ইজেৎসিসি) গী ভারটিয়া কলচরেল ওদিটোরিয়মদা মণিপুর য়াওনা ৱেষ্ট বেঙ্গল, ওরিসা, অসাম, বিহার, জ ারখান্দ, সিক্কিম, ত্রিপুরা, অরুনাচল প্রদেশ হায়রিবা ষ্টেট ৯ অসিদগী খনগৎলক্লবা মহৈরোইশিংগী সোর্টপ্লে কম্পিটিসনদা মণিপুরগী এদুকেসন (এস) না শীন্দুনা পাঙথোকপা কম্পিটিনদগী খনগৎলবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ময়াং ইম্ফালদা লৈবা এন তোমচৌ হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী মহৈরোইশিংনা উৎখিবা "মহাত্মা গান্ধী–এ রেমিনাইজ" (মহাত্মা গান্ধী নীংশিংলুবদা) হায়রিবা নন–ভরবেল প্লে অসিনা অহানবা মনা ফংদুনা, মখা তানা দেল্লিদা চৎলিবা চহি অসিগী দিসেম্বর ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেভেলদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্পিটিসনদা শরুক য়াগদৌরি।

য়াম্নামক পূক্নিং নুংশিনিং ঙাই ওইরিবা লমদম অসিগী কলাকারশিংগী পুন্সিনি ! অদুবু, "থোইনা শেম্বী শাবিরুবা লৈত্রগসু, হন্না য়েংবদা কনা উদ্রগসু, খোকখৎপীনবা শৌগৎপীনবা লৈত্রগসু মানা–মানা ঙম্নবা হোৎনদুনা লমদমসিগী মিংচৎ পুরক্লবা লমদম অসিগী তুংদা হৌরক্লিবা কলাকারশিং থোরকখিগনি হায়বগী ময়েক লারবা খুদম অমা ওইরি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর গী মখাদা ঐচআরদি গী স্কুল সেক্সননা শীন দুনা পাঙথোকখিবা মিনট ২০ খক্কী ওইবা অতেনবা প্লে অসিগী মনুংদা পাক চাওখ্রবা নৈনবগী লোইবা নাইদ্রবা, ফাদর ওফ নেসন, মহাত্মা গান্ধী না মনিং মখা তম্বা ভারত অমা ওইনবা হোৎনবদা শীজিন্নবা 'অচুম্বা অমদি অহিংশা" হায়বা খূৎলাই অনী অসিবু মপুং ফানা উৎনবা হোৎনবনি হায়না প্লে অসিগী স্ক্রিপ্ট রাইটর অমা ওইরিবী বি গ্যানেশ্বরী দেবী গা পাউচে অসিগা উন্নবদা ফোঙদোরকখি।

নন–ভাইলেন্সপু খূৎলাই অমা ওইনা শিজিন্নদুনা ভারত না লোয়ননা মপু বৃটিসকী মায়োক্তা মায় পাক্না নীংতম আন্দোলন চঙশিনবা ঙমখিবতা নত্তনা মনিং তম্বা ভারত অমা ওইহনলকপদা অচৌবা থৌদাং য়াখিবা মহাত্মা গান্ধী গী ৱারী শীংবুল অসিবু, লমদম অসিগী চরাংনবা নে–তাদবা ফিভম অসিগী খুদুং ইন দুনা হাৎন–শুন্নবা, ফাবা পুনবগী মশান্না শান্নরিবা তুংগী মীরোল ওইগদৌরিবা অঙাশিং অদুবু ফিভম অদুদগী নাথৈহন্দুনা ইবেনপোক্কী ৱারী শীংবুলদগী মহাপুরুশ অসিগী ৱারী অদু অঙাংশিং অদুগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক্তা য়ৌহন্নবা হোৎনরিবা স্ক্রিপ্ট অসিবু থৱায় হাপ্লীবা, নৌরিবা নৌরিবী আর্টিষ্টশিং অদুনা মপুং ফানা মতিং ফুথোকহন্নবা হোৎনদুনা প্লে অদু ডাইরেক্সন পীরিবা টি রঘুমনি–মশামক ইম্ফালগী য়ুম্নাম লৈকাইদা লৈবা কংলৈ মাইন থিয়েটর রিপোর্টরিগী সেনিয়র আর্টিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা মায় পাক্না নন–ভার্বেল প্লে "নোংমৈ মরু" হায়রিবা প্লে অসিসু ডাইরেক্সন পীখ্রে।

প্লে অসিগী ডাইরেক্টর টি রঘুমানিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না নৌরিবা এক্সারিয়েন্স লৈত্রিবা ছাত্র / ছাত্রিশিং অদুগা নুমিৎ মশীং য়াম্না তোৎনা তিন্নবগী মতম ফংখিদে অদুবু মখোয় মশাদা দিসিপ্লিন লৈবা, ওবিদেন্ট ওইবা করিগুম্বা অমা শিন্নবদা থৱাই হকচাং য়াওবা কয়া অসি মখোয়গী মায় পাক্লবগী মরম অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

"মহাত্মা গান্ধী –এ রেমিনাইজ" হায়রিবা মিনট ২০ গী ওইবা সোর্টপ্লে অসিদা কাষ্ট অমদি ক্রেদিটলাইন দা লৈরিবশিংদিঃ– মহাত্মা গান্ধিগী শক্তমদা–কৈশাম সোমোকান্ত অসোক (গ্রান্দমাদর)–য়ুম্নাম জিতেশ্বরি, তোংব্রাম প্রিটি দেবী,–কোরস, মালেমঙানবী চনু– হৈস্নাম কোরস, খুয়েনথেম সিটলজিৎ–কোরস, মাইবম প্রিয়োবার্তা–কোরস, অরিবাম বোরিস শর্ম্মা কোরস, সাজ ুবালা য়ুমখাইবম–কোরস, নিং থৌজম বিনিতা দেবী–কোরস, অঞ্জালিকা লাইশ্রাম কোরস, ইলাংবম তাসলিনা দেবী–কোরস অমদি প্লে অসি ম্যুজিসিয়ান অমা ওইনা মরুওইবা থৌদাং লৌরিবনা য়ুম্নাম পোইরৈতোন না ওইরি।

প্লে অসিগী কনসেপ্টঃ ঐচ কুঞ্জাবিহারি সিংহ, স্ক্রিপ্ট–বি গ্যানেশ্বরী দেবী, ডাইরেক্সন–টি রঘুমনি সিংহ, টিচর ইন চাজ দা পি চন্দ্রকুমার সিংহ, এল সোরোজিনি দেবী, গুরুময়ুম দোরা শর্ম্মা লোয়ননা ডাঃ ৱাই সদানন্দ নি।

নন–ভার্বেল না নমনা উৎত্তুনা মতাং চানা কোরস ওইনা, ম্যুজিক না অমদি ফিজিকেল থিয়েটর গী পার্ফোমেন্সনা কোলকাতাদা তিনখিবা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনবা ঙমখিবগুম, দিসেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লেভেল কম্পোজিসন অসিদসু মায় পাকপা ওইরসনু হায়না পাউচে অসিগী মায়কৈদগী থমজরি !





## ঐচ রাজেসে

## ষ্টেটকী থাক্ত শাম্নবগী পাউদম

# ইন্দিয়া–এনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাদুনা মরিশুবা ইন্টনেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ঃ

দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি ৱার্ল্ড থাঙ–তা ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা হুয়েল লাংলোন থাঙ–তা এসোসিয়েসন মণিপুর অমসুং থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা মরিশুবা ইন্টরনেসনেল থাঙ–তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা ইনিন দয়া–এ না পোইন্ট ২৮২ ফঙদুনা ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন অমদি নেপালনা পোইন্ট ৮৮ ফঙদুনা টিম রন্নর তাদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসি লোইশিনখ্রে।




ঙসি অরোইবা নুমিৎতা শান্নখিবা সেনিয়র মেন ফুনবা অনীশুবগী কেজি ৪৬তা ইনি দয়া–এগী ঐচ সদানন্দনা গোল্ড, কেজি ৫০ দা ইন্দিয়া–এগী ঐচ ঙাম্থোইবনা গোল্ড, বাংলাদেশকী বিশ্বজিৎ মৈতৈনা সিলভর, কেজি ৫৪ দা ইন্দিয়া–এগী কে লেম্বনা গোল্ড, কেজি ৫৮তা নেপালগী বিজে রাসাইলিনা গোল্ড, বুতালগী ঙৱাং নময়েলনা সিলভর, কেজি ৬২ দা ইন্দিয়া–এগী এন বিদ্যানন্দনা গোল্ড, নেপালগী কৃষ্ণাকুমার তমাংনা সিলভর, ভুতালগী পুরনা গুরুংনা গোল্ড, কেজি ৬৬তা ইন্দিয়া–এগী ঐচ হেনসমনা গোল্ড, বাংলাদেশকী দিল্লিপকুমার সিংহ না সিলভর, কেজি ৭০ দা ইন্দিয়া–এগী এ বন্তিনা গোল্ড, ভুতালগী কিনলে সেরিংনা সিলভর, কেজি ৭৫তা নেপালগী গানেস সেতানা গোল্ড, কেজি ৮০ দা ইন্দিয়া–বিগী মাসুম অঞ্জানা গোল্ড, ভুতালগী তাদিন ৱাংচুনা সিলভর, ইন্দিয়া–এগী পি বাবিনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৮০ প্লসকী ইন্দিয়া–এগী হোনিকুমারনা গোল্ড, ইন্দিয়া–বি এ হেরানা সিলভর নি।

সেনিয়র মেন ফুনবা অমগী কেজি ৪৬তা ইন্দিয়া–এগী কেঐচ নেত্ররজিৎনা গোল্ড, ইন্দিয়া–বি গী রুপা শর্ম্মনা সিলভর, কেজি ৫০দা ইন্দিয়া–এগী দেনিস ঙাঙোমনা গোল্ড, বংলাদেশকী বিশ্বরজিৎ মৈতৈনা সিলভর, কেজি ৫৪ দা ইন্দিয়া–এগী সোহিল অহমদনা গোল্ড, কেজি ৫৮তা ইন্দিয়া–এগী এস মানিনা গোল্ড, নেপালগী বিজে রসাইলিনা সিলভর, ভুতালগী ঙৱাং ঙমলিয়েননা ব্রোঞ্জ, কেজি ৬২ দা ইন্দিয়া–এগী অতিশম অয়াসনা গোল্ড, নেপালগী কৃষ্ণাকুমারনা সিলভর, ভুতালগী গুরুংনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৬৬তা ইন্দিয়া–এগী এ লক্কিনা গোল্ড, বংলাদেশকী দিল্লিপকুমারনা সিলভর, ভুতালগী কিলি সেরিংনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৭০ দা ইন্দিয়া–এগী সুরজ রেনা গোল্ড, কেজি ৭৫তা ইন্দিয়া–এগী এল সোমোরজিৎনা গোল্ড, নেপালগী বানেসনা সিলভর, কেজি ৮০ দা ইন্দিয়া–এগী দব্লিউ দুহেসনা গোল্ড, ভুতালগী তান্দিয়ু ৱাংসুনা সিলভর, কেজি ৮০ প্লসতা ইনি দয়া–এ গী অদিল প্রভাইসনা গোল্ড ফঙখি।

সেনিয়র ৱুমেন ফুনবা অনীশুবগী কেজি ৪৪দা ইনি দয়া–এগী এসঐচ সনাতোম্বীনা গোল্ড, কেজি ৫২ দা ইন্দিয়া–বিগী ফিজা নাজিরনা গোল্ড, নেপালগী মার্চ হিনা সিলভর, ইন্দিয়া–এগী টিঐচ নন্দরানিনা ব্রোঞ্জ, কেজি ৫৬তা ইন্দিয়াগী রিনাভাই চনুনা গোল্ড, নেপালগী প্রবিত্ররনা সিলভর, কেজি ৬০ দা ইন্দিয়া–এগী এ ময়া চনুনা গোল্ড, কেজি ৬৪ দা ইন্দিয়া–এগী এল তোম্বীনা গোল্ড, ইন্দিয়া–বিগী সিবা মালিক্না সিলভর, কেজি ৫৬তা ইন্দিয়া–এ গী অজুমান ফরুকনা গোল্ড ফঙখি।

সেনিয়র ৱুমেন ফুনবা অমগী কেজি ৪৪ দা ইন্দিয়া–এগী এ অঞ্জানা চনুনা গোল্ড, কেজি ৫২দা ইন্দিয়া–এগী মানাসিনা গোল্ড, নেপালগী সুস্মানা সিলভর, কেজি ৫৬তা ইন্দিয়া–এ গী পি চাওবনা গোল্ড, নেপালগী প্রবিত্রা তমাংনা সিলভর, কেজি ৬৪ দা ইন্দিয়া এ গী ঐচ কাবিতা চনুনা গোল্ড, কেজি ৬৮তা ইন্দিয়া–এগী এন ইনদুবলানা গোল্ড, কেজি ৭২ দা ইন্দিয়া–এগী ঐচ গুনিতা চনুনা গোল্ড, কেজি ৭৬তা ইন্দিয়া–এগী সাইমাজাননা গোল্ড ফঙখি।

ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজ াওবা, ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চিয়রমেন ঐচ প্রেমকুমার, বিএমএগী প্রসিদেন্ট রজিপ অহুজা, থাঙ–তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী চীফ এদভাইজর আর কে অচৌবা, ষ্টান কালা বিদ্যা থাঙ–তা এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট দবল্লো খাবা, থাঙ–তা লোইশঙ সনা কোনুংগী প্রসিদেন্ট টিঐচ ইবোহলবী মৈতৈ, খা মণিপুর থাঙ একাদেমীগী প্রসিদেন্ট ৱাই অমুচা অমদি সোসিয়েল ৱার্কর অরুন থাংজমনা মথং শিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মকোক–মথং তাখ্নবশিংনা মনা–মথুম য়েন্থোকখি।

# ১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ঃ

মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা ১২শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া–বি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন দা ইংলেন্দনা উরুগেবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মায় পাক্লবা ইংলেন্দগী পাঞ্জল অদু অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ হেনরি অমোরনা মিনট ১.২৯ দা পাঞ্জল অমা, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জোস এমোরনা মিনট ৪.০১ অমদি জর্সি নম্বর ৪ বেন ইলেনা মিনট ৫.২৫ তা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মায়থিরবা উরুগেগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জৌৱাল ফরনেদেনা সেকেন্দ ০.৪৩ দা চনখি।

৫শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ইন্দিয়া–বি না ইন্দিয়া–এবু পাঞ্জল ১৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়া–বি গী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ টিঐচ কাওবনা মিনট ২.৪১ অমদি ৩.৪১ দা পাঞ্জল অনী, অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৫ টিঐচ জেকোবনা ১.১০, ২.৪১, ৪.৪৭ দা পাঞ্জল ৩, জর্সি নম্বর ৬ লৈশেম্বা তাখেল্লম্বমনা মিনট ০.২০, ১.৫৭ দা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনট ৬.৯ দা পাঞ্জল অমা, অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৬, লৈশেম্বা তাখেল্লম্বমনা মিনট ৪.৪৬ অমদি জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ৫.০৪ দা পাঞ্জল অমমম, জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনট ৫.২৫, ৫.৪০ দা পাঞ্জল অনী, মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৬ লৈশেম্বা তাখেল্লম্বমনা মিনট ০.২৮, ৫.৩৮ তা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ১.১৮, জর্সি নম্বর ৫ টিঐচ জেকোবনা মিনট ৩.৩২ অমদি জর্সি নম্বর ১ টিঐচ কাওবনা মিনট ৩.৫১ দা পাঞ্জল অমমম চনখি।


# ওইনাম চর্লি কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈ কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ২৪দগী কাংখূৎ ১২না গ্রুপ মরি থোক্না খায়দোক্তুনা শিংজমৈ কাংখূৎ চীংঙামথক্তা লৈবা শিংজমৈ কাংশঙদা চথরক্লিবা অহানবা ওইনাম চর্লি মেমোরিয়েল লীগ কম নোক আউত কেন্দ্র ৱাইজ কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা শিংজমৈ কাংখূৎনা থাংমৈবন্দ কাংখূৎপু পাঞ্জল ১৬–১৪ দা মায়থিবা পীদুনা শিংজমৈ কাংখূৎ ফাইনেল চঙখ্রে।

মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দনা তোচ ঙমদুনা কাং হান্না কাপ্পা হৌখি। মেটচ অসিদা পিঐচ তানজাওনা অম্পয়র, এম ইথোইনা স্কোর মেন ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল থা অসিগী ২৬তা কৈশামথোং কাংখূৎ অমদি ৱাঙ্গৈই কাংখূৎ শান্নরগনি।






Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*